# পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী সবমেরিন আই এন এস কলভরি ইন্টরসেপ্ট তৌখি হায়না ক্লেম তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):
পাকিস্তাননা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক্তা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী সবমেরিন আই এন এস কলভরি ইন্টরসেপ্ট তৌখি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে।



পাকিস্তাননা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা সবমেরিন ইন্টরসেপ্সনগী ভিদিওসু থাগৎলকখি। পাকিস্তান মিলিটরিগী ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)গী দিরেক্টর জেনরেল মেজর জেনরেল বাবর ইফটিখরনা ক্লেম অদু তৌখিবনি। মহাক্কী মতুংইন্না থৌদোক অদু মার্চ ১দা থোকখি।

সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম ত্বিটরদা দিরেক্টর জেনরেল অসিনা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান নেভিগী এন্টি-সবমেরিন ৱারফেয়র য়ুনিটনা মার্চ ১দা খ্বাইদগী নৌবা কলভরি ক্লাস ইন্দিয়ন সবমেরিন অদু ইন্টরসেপ্ট তৌবগা লোয়ননা ট্রেক্কিং তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোক অদু হৌখিবা চহী ৫গী মতম অসিদা পাকিস্তাননা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক্তা ইন্দিয়াগী সবমেরিন দিটেক্ট তৌবা মরিশুবনি। মসিনা পাকিস্তান নেভিগী কম্পিটেন্ট অমসুং পাকিস্তানগী মেরিটাইম ফ্রন্টিয়রশিংবু ঙাকথোকপগী অচেৎপা ফিরেপ অদু উৎলি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী মিলিটরি ইষ্টাব্লিশমেন্টনা ইস্যু অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদ্রে। আই এন এস কলভরি অসি প্রোজেক্ট-৭৫ হায়না খঙনবা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা সবমেরিন ৬ শাবগী থৌরাংগী মনুংদা অহানবনি। স্কোরপেন ক্লাস সবমেরিনশিং অদু অহানবদা ফ্রান্সকী হান্না দি সী এন এস হায়না খঙনরম্বা নেভেল গ্রুপকা কোলাবোরেসন তৌনরগা মুম্বাইগী মজাগোন দোক শীপবিল্ডরস লিমিটেদ (এম দি এল)না শাবনি।

স্কোরপেন সবমেরিনশিং অসি য়াম্না মতিক ময়াই লৈরবা প্লেটফোর্মশিংনি। সবমেরিন অসিদা এদভান্স ষ্টেল্থ ফিচরশিং য়াওই। লোয়ননা ভেসেলশিং অসিদা লোং রেঞ্জ গাইদেদ টোর্পিদোশিংগা লোয়ননা এন্টি-শীপ মিসাইলশিং ফিট তৌই। সবমেরিনশিং অসিদা য়াওরিবা অনৌবা টেক্নোলোজিগী সোনা অমসুং সেন্সর স্যুটনা মখোয়বু শীংথানিংঙাই ওইবা ওপরেসনেল কেপেবিলিটিশিং লৈহল্লি।

# য়ুক্রেনগা লোন্নবা লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়ন নেসনলশিং পুরকপদা পাকিস্তানগী এয়রস্পেস শীজিন্নদে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):
ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা য়ুক্রেনগা লোন্নবা লৈবাকশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিং পুরকপদা পাকিস্তানগী এয়রস্পেস শীজিন্নদে হায়রি।



ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা হঙ্গেরি, পোলেন্দ অমসুং রোমানিয়াদগী ইন্দিয়ন সিটিজন ৭৯৮ হোল্লকখি। য়ুক্রেনগী বোর্দর লানখ্রবা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্নবগীদমক্তা ফোর্স অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সী-১৭ ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফট ৪ থাখি। ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফট মরিমক সিটিজন ৭৯৮ পুরগা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদা দেল্লীগা লোন্নবা উত্তর প্রদেশকী ঘাজিয়াবাদতা লৈবা হিন্দোন এয়রবেজদা থুংলগনি। ফোর্স অসিনা পন্দুনা লৈরিবা অতৈ সিটিজন কয়াসু লৌরুনবা অহেনবা এয়রক্রাফট অহুমসু থাখ্রে।

কম্মর্সিএল ফ্লাইটশিংগী থবক্তা মতেং পাংনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা এয়রফোর্সকী সর্ভিস শীজিন্নরকপনি। পাকিস্তানগী এয়রস্পেস শীজিন্নদবগী মতাংদা পল্লদুনা মিলিটরি সোর্স অমনা ফোঙদোরকপদা, গভর্ণমেন্টনা ইস্লামাবাদতগী মিলিটরি ফেভর অমত্তা লৌদনবা লেপখিবগা লোয়ননা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। পাকিস্তানগী এয়রস্পেস শীজিন্নদবা অসিনা ট্রাভেল্লিংগী মতম শুপ্নগী মিনিট ৩০দমক শাংদোকহল্লি।

সোর্স অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক অমগী এয়রস্পেসতগী মিলিটরি এয়রক্রাফট পাইরকপা মতমদা লৈবাক অদুদগী তোঙান-তোঙানবা পর্মিসনশিং লৌবা মথৌ তাবনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। এয়রক্রাফট মখল অসি হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা টালিবাননা অফঘানিষ্টান পায়শিনখিবা মতুংদা লৈবাক অসিদগী ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোকপদসু শীজিন্নখি।

ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা ইন্দিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা কম্মর্সিএল অমসুং মিলিটরি অনীমক্কী ওইনা পূন্না এয়রক্রাফট ১৫ থাখ্রে। শগোলশেন নুমিৎতা ইন্দিয়াদা পূন্না অহেনবা এয়রক্রাফট ১৫ থুংগদবনি। য়ুক্রেনদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা অহানবা এদভাইজরি ইস্যু তৌখিবদগী ইন্দিয়ন নেসনল ১৭,০০০ লোম লানগী চৈথেং নংলবা য়ুক্রেনগী বোর্দরশিং থাদোকখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ন নেসনলশিংনা বোর্দর লানবদা খূদোংচানবা কিভতা লৈবা এম্বেসিনা লভিভতা টেম্পররি ওফিস অমা শেমহনখ্রবনি।

# ষ্টেট ৫ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১দা লুপা ক্রোর ১,৬৮২.১১গী অহেনবা মতেং পীরগনি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহীদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিংনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবশিং দিল তৌনবা ষ্টেট মঙা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি (য়ু টি) ১দা পীগদবা অহেনবা সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা লুপা ক্রোর ১,৬৮২.১১ এপ্রুভ তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট মঙা হায়বদি অন্ধ্র প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ, কর্নাটাকা, মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিদা কুমজা ২০২১দা ঈশিং ঈচাও নৎত্রগা লেন্দস্লাইদশিং থোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবশিং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং ওইনবা ফন্দশিং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরগনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনা লুপা ক্রোর ৩৫১.৪৩গী গ্রান্ট কায়থোক্লে, হিমাচল প্রদেশকীনা লুপা ক্রোর ১১২.১৯ কায়থোক্লে। কর্নাটাকাগীনা লুপা ক্রোর ৪৯২.৩৯ কায়থোক্লে। মহারাষ্ট্রগীনা লুপা ক্রোর ৩৫৫.৩৯ কায়থোক্লে। টামিল নাদুগীনা লুপা ক্রোর ৩৫২.৮৫ অমসুং য়ু টি পুদুচেরিগীনা লুপা ক্রোর ১৭.৮৬ কায়থোক্লে। অহেনবা শেনফমশিং অসি সেন্টরনা ষ্টেটশিং অসিগী ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ)দা রিলিজ তৌখিবা ফন্দশিংগী মথক্তনি। শেনবা চহী ২০২১-২২গী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট ২৮গী এস দি আর এফতা লুপা ক্রোর ১৭,৭৪৭.২০ রিলিজ তৌখি অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এন দি আর এফ)তগী ষ্টেট ৮দা লুপা ক্রোর ৪,৬৪৫.৯২ রিলিজ তৌখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চেয়র পায়বা হায় লেভেল কম্মিটি (ঐচ এল সী)না এন দি আর এফকী মখাদা কুমজা ২০২১দা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা শোকহনখিবা ষ্টেট মঙা অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১দা পীগদবা অহেনবা সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স এপ্রুভ তৌরে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখি। মসিনা নেচরেল দিজাষ্টরশিং মায়োক্নখিবা ষ্টেটশিং অমদি য়ু টিগী মীয়ামদা মতেং পাংনবা গভর্ণমেন্টকী অচেৎপা ফিরেপ লৈরি হায়বসি উৎলি।

# উত্তর প্রদেশতা কেন্দিদেট চাদা ২৮ ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈ

লক্ষ্ণৌ, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী ৭শুবা তাঙ্কক্কী এসেম্ব্লি মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা চাদা ২৮দি ক্রিমিনেল রেকোর্দশিং লৈ হায়রি।

এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)না রিলিজ তৌবা এনালাইসিস রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ফাইনেল ফেজগী কেন্দিদেট ৬০৭কী মনুংদা কেন্দিদেট ১৭০না মখোয়গী এফিদেবিটশিংদা মখোয়গী মায়োক্তা ক্রিমিনেল কেস কয়া লৈ হায়না লাউথোকচখি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা কেন্দিদেট ১৩১দি অরুবা ক্রিমিনেল কেস লৈবশিংনি।

ক্রিমিনেল কেন্দিদেটশিংগী লিষ্টতা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বদি সমাজৱাদি পার্টিনা ওইরি। পার্টি অসিগী কেন্দিদেট ৪৫গী মনুংদা কেন্দিদেট ২৬ ক্রিমিনেল বেকগ্রাউন্দ লৈ। বি জে পিগী অপূনবা কেন্দিদেট ৪৭কী মনুংদা অসিগুম্বা কেন্দিদেট ২৬ য়াওরি অমসুং বি এস পিগীনা কেন্দিদেট ৫২গী মনুংদা অসিগুম্বা কেন্দিদেট ২০ য়াওরি। কোংগ্রেসনা থাদোরক্লিবা কেন্দিদেট ৫৪গী মনুংদা ক্রিমিনেল কেন্দিদেট ২০ য়াওই অমসুং এ এ পিগী কেন্দিদেট ৪৭কী মনুংদা ৮দি ক্রাইমদা চেন্নবশিংনি। কেন্দিদেট ১১ নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগা মরী লৈনবা কেসশিং মায়োক্নবা ঙাক্তনি। কেন্দিদেট ২দি রেপকা মরী লৈনবা কেসশিং মায়োক্নরি। কেন্দিদেট ৭না মী হাৎপগা মরী লৈনবা কেসশিং দিক্লেয়র তৌজখি।

# মনি লোন্দরিং কেসতা চেন্নবা নৱাব মালিক মার্চ ৭ ফাওবা ঈ দিগী কষ্টদিদা লৈগনি

মুম্বাই, মার্চ ০৩ (এজেন্সী):
অন্দরৱর্ল্ড দোন দাৰুদ ইব্রাহিম চেন্নবা মনি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর অমসুং এন সী পিগী লুচিংবা নৱাব মালিক মার্চ ৭ ফাওবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)গী কষ্টদিদা থম্নবা মুম্বাইদা লৈবা স্পেসল কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

রিমান্দগী মতম লোইবদগী মালিকপু কোর্ট অসিদা পুথোকখিবনি। ঈ দিগী ওফিসলশিংনা কোর্টতা মালিক মখা তানা ইন্টরোগেসন তৌবা মথৌ তাই হায়খি। মখোয়গী অর্গ্যুমেন্ট তারবা মতুংদা মহাকপু মার্চ ৭ ফাওবা এজেন্সী অসিগী কষ্টদিদা থম্বা য়াহনখি। ফেব্রুৱারী ২৩দা ঈ দিনা মালিক ফাখি অমসুং মার্চ ৩ ফাওবা মখোয়গী কষ্টদিদা থম্নবগী অয়াবা লৌখি।

নৱাব মালিককা অন্দরৱর্ল্ডগা শম্নবা মীওইশিংগা শেলগী মতাংদা মরী লৈনবগী ইভিদেন্স লৈরে হায়না ঈ দিগী সোর্সশিংনা ক্লেম তৌখ্রবনি। রিএল ইষ্টেট প্রোজেক্ট খরদা নৱাব মালিকনা বেনামি ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবগী অকুপ্পশিং ফংলে হায়নসু ঈ দি সোর্সশিংনা ক্লেম তৌখ্রবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঈ দিনা ফেব্রুৱারী ১৮দা দাৰুদকী ময়াম্বা ইকবাল কাস্কর ফাখি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ছোটা সকিলগী এইদ অমা ওইরিবা সলিম কুরেসিসু ইন্টরোগেসন তৌখি।

দাৰুদ ইব্রাহিমনা টেরর ফন্দশিং খোমগৎলি অমসুং মহাক লাস্কর-ঈ-তায়বা (এল ঈ টি), জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম) অমসুং অল-কাইদা (এ ক্যু)গা খূৎশম্নরগা থবক তৌই হায়বা পাউ অমা ফেব্রুৱারী ৩দা এন আই এনা ফংখিবনি। দাৰুদ ইব্রাহিমনা মহাক্কী এইদশিংগী খুত্থাংদা ইন্দিয়াদা ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিং কন্ট্রোল তৌখি। ঈ দিনা দাৰুদকী মায়োক্তা পি এম এল এ কেস অমা ফাইল তৌখি। মহাক্কী ময়াম্বা ইকবাল কাস্কর, ইকবাল কাস্কা, ইকবাল মির্চি অমসুং অতৈ মীওই ১৯গী মায়োক্তসু এজেন্সী অসিনা অতোপ্পা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। মতুং তাবদা কেস অনীমক অমত্তা ওইনা পূনশিনখি।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# তরানিথোইশুবা বিধান-সভাগী মায়কৈদা

তরানিথোইশুবা মণিপুর বিধান-সভা-মীখলগী অনীশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট, হয়েং (মার্চ ৫, ২০২২) থাংজ নুমীৎতা থাদনরগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট, ফেব্রুৱারী ২৮দা থাদনখরে। অকূপ্পা পাউ, পাউ-চেশিংদসু ফোঙনরে, সোসল-মীদিয়াদসু থাগৎনরক্তুনা সরা-সন্না খঙনরে। কন্সটিট্যুএন্সি খূদিংমক্তা, অহানবা-অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফমগীদমক অকনবা লম্বা ওইনগনি খন্নবা মীরেপশিং, মাগী মাগী পোল্লিং এজেন্ত ওইনা পোল্লিং-ষ্টেসনশিংদা ফম্লুবা ৱার্কর অমদি বুথ-লেবেল-লিদরশিংনা পীখৎনরকপা রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থাগৎনরকপা 'ফংবা-য়াবা' (এক্সপেক্তেদ) ভোট-মশীং অয়াম্বনা খঙনরে। হৈ-শিংলবা ৱার্করশিংনি, ষ্টেটিষ্টিকল-দাতা-নৈনবদা এক্সপর্ট ওইরবা ঙাক্তনি। মখোয় লোইনমক মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ওইরি। ভোট থাদনবগী থবক্তুফাও লোইদরি, ভোট মশীং থীগদবসু ৱাৎলি। অদুবু, সরকার শেম্নবগী ৱা খন্নবা কেম্প হাংবা হৌনখরে হায়বা পাউ অমসু তারক্লি।

পাউশিং অসি তারগা, পাউদুগী লীখুন লীরুরগা ইথন্তা নোক্লিংবা ফাওরকই। মীখলসিদা মীরেপ ওইরিবা মখোয়দুগীদমক 'নুংশিবা' (পিতি) অমা ফাওরকই। শ্রীবিরেন'না ইবা ওইরমাল্লে, শৈরেং অমগী মিংথোলদু নীংশিংলকই... 'তোল্লবা শা অদুগী ৱাখল'। শৈরেংদুনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলদু নত্তে, মমিংসিনা পীরিবা সিগ্নিফিকেন্স অদু মীখলদা মীরেপ ওইরিবশিংসিগী ৱাখলগা চাংদম্ন নিংলকপদুনি। করম্বা ইনফোর্মেসন'দা য়ুম্ফম ওইদুনা হোৎলিবা কালক্যুলেসননো? মদু খল্লুবদনি মখোয়গী ৱাখল অদু ৱাখল খনবা হৈতবা তোল্লবা শা অদুগী ৱাখলগা চংদম্নরুরিবা! মখোয়না তৌখিবা/পাঙথোকখিবা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং/কান্নবা থবক অদুদা অপেনবা ফংলবা মীয়াম্না, মঙোন্দা ভোট পীরক্কনি হায়বগী থাজবদুদা য়ুম্ফম ওইরগা থীবা মশীং নত্তে। মখোয়না মখোয়গী তুংইনবা খরগী খুৎথাঙদা ভোট লৈনবা চাইথোকখিবা শেনফম অদুদা, মখোয়না হান্না লেপথোক্লবা ভোট অমগী মমলদুনা য়েন্থোক্লগা ফংবা মশীং অদু, ককথোক-ককশিন খরা তৌরগা লেপথোকপনি। ইচম চম্বা অঙ্কনি। পোলিটিসিয়ন অমনা খনগদবা, খনফম থোকপা ৱাখলদু নত্তে। অশেংবা পোলিটিসিয়ন অমনা ফংগদবা ভোট মশীংদি, মহাক্কী থবক্না অমসুং মাগী মতিক-মগুন'না জয় তৌখিবা থম্মোয় মশীং অদুনা লেপকদবনি। অদুবু, লুরিবদি-পোলিটিসিয়ন অমসুং ভোট্টর অনীসিগী ৱাখল তায়ওন্নরকপা অসিনি। মীচম/প্রজা/ভোট্টরশিংনা খল্লি- 'পোলিটিসিয়নশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ, এম এল এ/মিনিষ্টর ওইরগা তৌরক্কদবা থবকসি মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং, লায়রবগী পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহন্নবা থবক নত্তে... শেঞ্জা-থুমজা-থীকা-সপ্লাই, মীয়ামগী চাকথুং মৎলগা মশাগী মরল লেপশিনবগী থবক্তু ঙাক্তনি'। অমরোমদা, পোলিটিসিয়ন (ইলেক্সন'দা মীরেপ ওইরবা) শিংনা অমুক খল্লি... মীয়ামগী কান্নবা থবক তৌরগা, অদুগুম্বা মীওইশিংদা ভোট পীদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনগনি হায়বা ৱাখলদুদি কনানসু খন্নদে... ভোট অমগী মমল খ্বাইদই য়াম্না পীবা ঙম্বা মীরেপ্তু খ্বাইদই হেন্না মতিক চাবা পোলিটিসিয়ন'নি হায়বা ৱাখলদুনা থূমহৎখ্রবা ভোট্টরনি'...।

হন্দক্কী মীখল অসিগী মতুংদদি ৱাফম অসি য়াম্না ময়েক শেংলে-কাবা য়াবা মীরেপ্পি শোন্নরিবা, অহানবা-অনীশুবা-অহুমশুবা মফমগী লমজেলদা য়াওরিবা মীরেপ খূদিংমক ভোট্টরশিংদা পৈশা য়েল্লি... লুপা লিশিং অনীনা খ্বাইদগী হোঙবা মমলনি। ...'ঐদি কেন্দিদেট অহুম্মক্তই পৈশা লৌই, পুন্না লীশিং মাপন-তরা ফংই'... হায়না মীদিয়া রিপোর্টরশিংগী মমাঙদা ফোংনা হায়বা ঙম্বা ভোট্টর মশীং য়াম্লক্লে। থৌওং অসিদগী কেন্দিদেটশিংনা তম্বা য়াবা পারাসি 'মঙোন্দগী শেল লৌরবসু মঙোন্দা ভোট থাদদ্রে অতোপ্পদা থাদখ্রে' হায়বসিনি। অদুবু, মখোয় পারা অসি ফাদরি। অদুননি, মহাক্না হেন্না ফংগনি হায়বা এক্সপেক্টেসন অদুদা কাগনি হায়না পাদুনা, ভোট থাদখিবা মীশিংদগী ফংগদবা ভোট মশীংনা লীশিং তরা-কুন হেনগৎলক্লিবা। নহান, অহানবা ফেজ-মীখলদুগী নীনি চনবদা মরুপ অমনা পাউদম্লে... 'লীশিং অনী-অনী য়েনবদুফাও সুনা য়েনবা ঙমদদুনা খুৎ তৎলবা ঐগী কেন্দিদেট অসিনা মায় পাক্লক্লবদি, শেলনা ভোট কাবা/পোবগী ফেক্তর অমা নত্তে হায়বসি প্রমান তৌদৌরিবনি, অতোপ্পা মীরেপ অনীসিদি তরেৎকা নিপানগনা খুজিং ওইরগা য়েনখিবনি'...। অতোপ্পা কন্সটিট্যুএন্সি অমদদি অহুমশুবা মফম কল্লগনি খঙজরবা কেন্দিদেট অমনা অতোপ্পা কেন্দিদেট অমদগী ক্রোর খরা লৌরগা মশা সরেন্দর তৌখরে হায়বা পাউসু তাখি। মদুনা অচুম্বা ওইরম্লবা, মণিপুরগী 'ইলেক্তোরেল পোলিটিক্স' অনৌবা মায়ওন অমদা ওনশিল্লক্লে হায়না লৌবা চুমগনি।

অহানবা ফেজগী মীখলসিদা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স অসিনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলসিদা পোজিটিভ ইম্পেক্ট অমা পীদুনা, কেন্দিদেটশিংনা পৈশা য়েনবদা, তশেং-তশেং মাগী ভোট্টর ওইরক্কনি খঙলবা (আইদেন্টিফাইদ ভোট্টর) শিংদতা য়েল্লগে হায়বা ৱাখল অসি খল্লক্লোই। কারাম-চাউবা মতৌ অদু উৎথোকচদুনা, ঈশিংদা চারিবা ঙা'দুবু মাগীনি হায়না পাদুনা, কনাগীনো খঙদবা ভোট্টরশিংদুদসু শেল পীশিনগনি। হায়রক্কনি- 'মায় পাকপা/পাক্তবগী দিসাইদিং ফেক্তর মখোয়নি'। তারিখ মঙাগী মীখলসিদসু ফেব্রুৱারী ২৮গী ইলেক্সনদুগী 'রিপিৎ তেলিকাষ্ট' অমগা চপ মান্নবা দৃশ্যদুনি উবা ফংগদৌরিবা... 'শেল য়াম্না য়েনবা ঙম্বা কেন্দিদেটতুনা অকনবা... কেন্দিদেট খূদিংমক্তগী শেল লৌবা ঙম্বা ভোট্টরদুনা অসিংবা'...।

মতাং অসি য়ৌরবদি ঐখোয় করিগুম্বা খরা সিরিয়স ওইনা নৈনবা চুল্লে- অসি য়ৌনা শাথীরবা ফীভম অসিদগী কন্ননবা পান্বে করিনো? শাথীরবা পেন্দমিক-কোভিদ-১৯দগীসু কন্ননবা/ঙাকথোকচনবা পান্বে পুথোকখি। শাথীরবা সোসিও-পোলিটিকল-দিজিজ অসিসু, কোরোনা-লাইচৎ অদুগুম, ঐখোয় ইশানা নাহনজরকখিবনি, শন্দোকহল্লকপসু ঐখোয়নি, লায়েংজগদবসু ঐখোয়নি। লুরিবদি- লায়েং পথাপ অদুগী অহানবা খোঙথাং- 'পোলিটিকল রিফোর্মেসন' অদু তৌনবা লো-মেকর খনবগী থবক অদু চুম্না তৌবা ঙমদবা অসিনি। লো-মেকর ওইরিবা 'লেজিসলেচর' অমদি 'পার্লিয়ামেন্টরিয়ন'শিং- মখোয়না লীশাং-শিংনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌরক্তবা, মথৌদু করিনো খঙদবা ঙাক্তনা থৌদাং অসি পুরকখিবনা লায়েংবা ৱারবা থাক অসিদা, নাহল্লকখিবনি। হৌজিক্তি নাখৈ শেংনা তরানিথোইশুবা মণিপুর বিধান সভা অসিনা লমদমসিবু হেন্না তমথীনা নারবা অনাবা অমা ওইহল্লগনি। দিয়র ইজ নো হোপ ফোর সরভাইভেল।

মমি ৱারী

## মীনা লোংজম






কনানা কনাদা করিগীদমক ভোট পীগনি। অনৌবা চহী মঙাগীদমক করম্বা মরূ হুনখ্রে।

Meena Longjam is a documentary filmmaker.